## প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি য়াওনা লুচিংবা কয়ানা ইন্দিরা গান্ধীগী মপোক নুমিত্তা ইকায়খুম্নবা উৎলক্লি

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিগী অহানবা নুপী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরমখিবী লৈখিদ্রবী ইন্দিরা গান্ধীগী ১০৫ শুবা মপোক নুমিৎনা লাকপদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি য়াওনা লুচিংবা কয়ানা ইকায়খুম্নবা উৎলক্লি।

ইন্দিরা গান্ধীগী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ত্বিটরগী খুত্থাংদা লৈখিদ্রবী লৈবাক অসিগী অহানবা নুপী প্রাইম মিনিষ্টর অসিগী মপোক নুমিৎনা লাকপদা মহাক্কী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎচরি হায়না ইরগা থাগৎলকখি।

কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট মালিকঅর্জুন খরগে অমসুং পার্টি অসিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধী য়াওনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা দেল্লিদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধী মেমোরিয়ল শক্তি স্থলদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎপগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট মালিকঅর্জুন খর্গেনা ফোঙদোকখিবদা, মীয়াম্না আইরন লেদি হায়রগা হেন্না খঙনরিবী লৈবাক অসিগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধীনা লৈবাক অসিগীদমক হোৎনরম্বা কয়া অদু হৌরক্লিবা মীরোলশিংনা কাউরোইদবনি। অপুনবা অমত্তা ওইবা ইন্দিয়া ওইনবগীদমক লুচিংবী অসিনা কন্না হোৎনরমখি। মহাক্না মঙজরম্বা অপুনবা ইন্দিয়া কোংগ্রেস পার্টিনা শোয়দনা পুরকপা ঙমগনি। কথোকপা অমদি অকিবা লৈতনা মহাক্না হোৎনরম্বা কয়া অদুনা ইন্দিয়াবু মীয়াম্না ইকায়খুম্নরিবনি। মহাক্কী মপোক নুমিৎনা লাকপদা অৱাংবা থাক্কী ইকায়খুম্নবা উৎচরি হায়রি।

পোলিটিকেল লীদর অমা ওইনা লৈবাক অসিগী ইন্টিগ্রিটি অমসুং য়ুনিটিগীদমক মহাক্না হোৎনরম্বা কয়া অদুগী মতুং ইন্দুনা হৌরক্লিবা মীরোলশিংনা চৎনবা হোৎনগদবনি। মহাক্না হোৎনরম্বা কয়া অদুবু মঙফাওনহনবা হায়বসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপুঙ খুদিংমক্কী থৌদাংনি। মহাক্কী লম্বীদা চত্তুনা মীয়ামগী অমদি লৈবাক অসিগীদমক কথোকপগা লোয়ননা থবক তৌগনি হায়রি।

অমরোমদা হৌজিক হৌজিক ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎতা লৈরিবা কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনসু হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অসিগী ফোটোদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবগা লোয়ননা লুচিংবী অসিনা তৌরম্বা থবক থৌরম কয়াবু শিংথাখি। মহাক্না ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসি নীংখা তম্নবা হোৎনবদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অসিসু থৌদাং কয়া লৌরমখি। লৈবাক অসিগী অফবা লুচিংবা কয়াদগী মহাক্না মরুওইবা লৌশিং কয়া তমজহৌখি। মরুপশিংগীদমক কথোকপগা লোয়ননা থবক তৌরকখি। য়েক্লবশিংদা হিংচাবী অমগুম অকিবগী মশক উৎপা ঙম্নীনি। মহাক্কী হৈ শিংবা ঐখোয়না মতৌ তমজনিঙাইনি হায়রি।

বি জে পি এম পি বরুন গান্ধীনসু ইন্দিরা গান্ধীগী মপোক নুমিৎনা লাকপদা ইকায়খুম্নবা উৎলকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মবোক ইন্দিরা গান্ধীগা কাপমিন্নবা ফোটো অমসু ত্বিটরগী খুত্থাংদা থাগৎলকখি হায়রি।





## লৈবাক অমত্তনা মরোমদোম টেররিজমবু মায়থিবা পীবা ঙম্লোই : অমিত শাহ

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সী) :
মালেমদা লৈরিবা লৈবাক অমত্তনা মরোমদোম টেরোজিমবু মায়োক য়াবা নৎত্রগা মায়থিবা পীবা ঙম্লোই হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হিরম অসিগী মতাংদা মালেমগী লৈবাকশিংনা পুন্না থবক তৌমিন্নবগী তঙায়ফদবা লৈ হায়রি।



কাউন্টর টেরোরিজমগী মতাংদা পাঙথোকপা সেসন অমদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা হায়, মালেমদগী লালহৌবগী ওইবা থবক থৌরমশিং মপুঙ ফানা মুত্থৎকে হায়রবদি টেরর ফন্দিংগী থবকশিং লেপ্পা মথৌ তাই। দেমোক্রেসি, হ্যুমেন রাইটস, ইকনমিক দিবলপমেন্ট অমদি ৱার্ল্ড পীছকী মায়োক্তা টেরোরিজমনা মতম পুম্বদা লেপ্তুনা লৈরি। অসিগুম্বা টেরোরিজমগী ওইবা থবক থৌওং অসি মপাঙ্গল য়াম্না কনবা লৈবাক অমনা মরোমদোম মায়োক য়াবা ঙম্লোই। ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিশিংনা হিরম অসিদা পুন্না থবক তৌমিন্নগদবনি হায়রি।

মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী দেলিগেটশিং য়াওবা সেসন অদুদা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা চহী দিকেদ খরা অসিদা ইন্দিয়ানা টেরোরিজমগী মায়োক্তা থবক থৌরম কয়া পায়খত্তুনা লাক্লি। লৈবাক অসিগী ওইনা জেরো টেরর পোলিসী, কাউন্টর টেরর লো অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা অহেনবা পৱার শিন্নদুনা টেরোরিজমগী মায়োক্তা লেপ্পা লৈতনা পায়খৎলকখিবা থবক থৌরমশিংনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিদা হৌজিক্তি টেরোরিজমগী থৌওং চাং য়াম্না হন্থখ্রে। চাং হন্থখ্রে হায়রবসু টেরোজিমগী থৌওংশিং মপুঙ ফানা থিংবা ঙম্বদি নত্রি। অপীকপা ৱাখল্লোন্না মাঙদা থম্লগা লৈবাক খরনা টেরর ফন্দিংগী থবক চথবনা মরম ওইরগা টেরোরিষ্টকী ওইবা থবক থৌরমশিং থিংনবা হোৎনবদা অমদি মালেমদগী টেরোরিজম মুত্থৎনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নহল্লি হায়রি।

পনবা য়াবদি ঙরাং পাঙথোকখিবা সেসনদা শরুক য়াখিবা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনসু কাউন্টর টেরোরিজম ফাইনান্সিংগী মতাংদা পাঙথোক্লিবা খন্ন নৈনবগী থৌরম অসি য়াম্না থাগৎনিঙাই ওই হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লালহৌবশিংদা শেন্থং পীবা লেপ্পবা মতমদতা লালহৌবশিং মরোমদোম মুৎচখিগনি। মরম অদুনা অহানবদা টেরর ফাইনান্সিং থিংগদবনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

## পুলিসনা পাক শন্না থি হুম্বগী থবক চথখ্রে

স্রিনগর, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সী) :
জম্মু অমসুং কাস্মিরদা মথৌ তৌরিবা জর্নেলিষ্টশিংদা টেরর আউটফিট অমনা অকি অখঙ পোকহল্লকখ্রবা মতুং থৌদোক অদুগা মরী লৈননা জে এন্দ কে পুলিসনা তোঙান তোঙানবা চিংননিঙাই ওইবা মফম ১০ দা থি হুম্বগী থবক চথখ্রে।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না স্রিনগর, অনন্তনাগ অমসুং কুলগাম দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মফমশিংদা পাক শন্না থি হুম্বগী থবকশিং পাঙথোকখি। থা অসিগী ১২ দা লালহৌলূপ লাস্কর-ঈ-তাইবা অমসুং দিরেজিষ্টেন্স ফ্রন্টকী মায়োক্তা পুলিসনা এক্সনশিং লৌখৎপা হৌখিবগা লোয়ননা জর্নেলিষ্টশিংদা হন্দক্তা কিহল্লকখিবা অদুগী মতাংদা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপা হৌরকখিবনি। থৌদোক অসিদা মুকথার বাবা চেন্নরম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়রি।

## চহী নৌরিবী মচিন মনাও কিদনেপ তৌরবা মতুং রেপ তৌখ্রে

গুনা, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সী) :
মধ্য প্রদেশকী গুনা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মফম অমদা চহী নৌরিবী নুপীমচা মচিন মনাও কিদনেপ তৌরবা মতুং রেপ তৌবদা চেন্নবা মীওই অনী ঙসি পুলিসনা ফাবা ঙম্লে হায়রি।

ধর্নবন্দা পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইনচার্জ গোপাল চৌবেলনা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা কিদনেপ অমদি রেপ কেসকা মরী লৈননা ফারবা মীওই ২ অসিগী মনুংদা ১ দি মাইনরনি। মখোয় অনীগী মথক্তা রেপ অমদি পোক্সোগা মরী লৈনবা কেসশিং রেজিষ্টর তৌখ্রে। থা অসিগী ১০ অমসুং ১১ গী লোন্নবা অহিংদা থৌদোক অসি থোকখিবনি। ভিক্টিম ওইরিবী মশাগী চহী ১৩ অমসুং ১৭ শুরবী নুপীমচা অনী অসিবু একুাজ অনী অসিনা পংথহন্নবা হিদাক শিজিন্নদুনা পঙথহল্লবা মতুং কিদনেপ তৌদুনা পুখ্রগা মী লৈতবা মফম অমদা পুশিন্দুনা রেপ তৌখিবনি। ভিক্টিম অনী অদু স্কুল হল্লকপগী লম্বীদা কিদনেপ তৌখিবনি। থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওই অনী অসিনা ভিক্টিমগী ইমুং মনুংদা থৌদোক অসিগী মতাংদা পাউ তল্লবদি হাৎকনি হায়না কিহল্লম্বগা লোয়ননা মফম অদুদগী থুনা য়াঙনা চৎখি হায়রি।

## মীখলদা মীরেপ ওইনবগীদমক শিন্মী অমনা লুপা অমগী কোইন ১০,০০০ দিপোজিৎ তৌখ্রে


অহমদবাদ, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সী) :
মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা ফেজ অনী থোক্লা পাঙথোক্কদৌরিবা গুজরাত এসেম্ব্লি ইলেক্সনদা মীরেপ ওইনবগীদমক নোংমগী শুরগা চাজবা শিন্মী অমনা মীরেপ ওইনবগীদমক লুপা অমগী কোইন ১০,০০০ দিপোজিৎ তৌখ্রে হায়রি।

গুজরাতকী কোনুং গান্ধীনগরদা লৈবা স্লম এরিয়া অমা হৌখিবা কুমজা ২০১৯ দা মফম অদুদা হোটেল অমা শানবগীদমক তকথোকখি। হোটেল শানবগীদমক মীওইবগী মীনুংশি য়াওদনা স্লম হট ৫২১ মফম অদুদগী তকথোরকপদগী মনাক নক্না লৈবা মফম অমদা অমুক লৈরি। অদুগুম্লবা স্লমগী মীওইশিং অদুনা মহাকপু মীখল অসিদা মীরেপ ওইনবগীনমক শেনয়েকশিং অসি খায়গৎনদুনা পীরকখিবনি হায়না দিপোজিৎ তৌবা লাকখিবা মহেন্দ্র পটনি কৌবা শিন্মী অসিনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ঐ নোংমগী শুরগা চাবা ইমুং অমগী মীওইনি। মহাক মশাসু অফং অফংবা থবক শুদুনা হিংলিবা মীওই অমনি। হোটেল শানবগীদমক মখোয়না হান্না লৈরম্বা মফম অদুদগী তান্থোকরপদগী মনাক নকপা মফম অমা লৈরি। অদুবু হায়রিবা মফম অদুদা মৈ অমদি থক্লবা ঈশিংগী খুদোংচাবা লৈতে। গভর্নমেন্টকী থৌওংদা পেন্দ্রবা মীওই অদুনা মখোয়গী নোংমগী খুৎশুমন্দগী খরা খরা খায়গৎনদুনা লুপা ১০,০০০ পীরকখিবনি। মহাক ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইনা মীখল অসিদা লম্বা তৌনগনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হৌজিক মখোয়না লৈরিবা মফম অসিসু লোকল ওথোরিটি খরনা মুন্নবা হোৎনরি হায়রি।

## রাহুল গান্ধীদা কিহল্লকখিবগা মরী লৈননা চেন্নরম্বা য়াই চিংনবা মীওই ২ ফারে





ভোপাল, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সী) :
কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা চৎলিবা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎ অসিনা থা অসিগী ২৮ দা মধ্য প্রদেশকী ইন্দোর সীটিদা লৈবা খালসা ষ্টদিয়মদা থুংনবা থৌরাংলিবা অদু হোঙদোক্ত্রবদি ইন্দোর সীটিদা সেরিয়ল বোম ব্লাষ্ট চথগনি হায়না রাহুল গান্ধীদা কিহল্লকখিবগী থৌদোক অদুদা চেন্নরম্বা য়াই হায়না চিংনবা মীওই ২ ফারে হায়রি।

মধ্য প্রদেশকী হোম মিনিষ্টর নারোতাম মিস্রানা ফোঙদোকখিবদা, পুলিসনা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মীওই ২ ফারে। অতোপ্পা অহুম অমসু মশক খঙবা ঙম্লে। চিংনবা মীওইশিং অদুগী মরী মখোয় খঙদোক্লবগীদমক পুলিস টিম অমা হরয়ানাদা চৎখ্রে। অথুবা মতমদা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং মশক খঙদোক্তুনা ফাবা ঙম্নবা হোৎনরি হায়রি।

রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা হৌজিক চৎলিবা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎ অসি মধ্য প্রদেশতা থা অসিগী ২০ দা থুংলগনি। মদুগী মতুং ষ্টেট অসি ফাওদুনা মখা তানা মখোয়গী খোঙচৎ অসি চৎখিগদবনি। অদুবু ষ্টেট অসি ফাওদুনা চৎপদা সেরিয়ল বোম ব্লাষ্ট তৌহনগনি হায়না অকি অখঙ পোকহল্লকপগী থৌওং অসি য়াম্না লাইবক থিবনি হায়না ষ্টেট কোংগ্রেস লীদরশিংনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অসিগী মতাংদা ষ্টেট গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়রি।

## পুং ২৪ দা কোভিদকী অনৌবা কেস ৫৫৬ থেংনখি

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ৫৫৬ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ১৭ শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ৫৫৬ থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৬,৬১,১৩৫ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ৬,৭৮২ দা হন্থরকখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা শিহনখিবা মী মশিং ১৭ থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,৩০,৫১৭ শুখ্রে হায়রি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৭৮ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.০৩ ওইরি।

ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি হায়রি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা পুন্না ভেক্সিন দোজ ২১৯.৭৩ ক্রোর কাপখ্রে হায়রি।

## ষ্টেটকী পাউ

### ওইল পাম থাদুনা অতেনবা মতমদা...

*লামায় ১গী মখা...* য়ুম্ফম ওইরগা নুমিৎ ৪ নি চথরকপা ষ্টেট লেভেল ক্রিসি মেলা লোয়শিনবগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

কোনুং মমাংদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা লোইশিনবগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা মিনিষ্টর বিস্বজিৎনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ওইল পাম অসি ঐখোয়না চিঙাক ওইনা শিজিন্নবা য়াবখক্তা নত্তনা অকে অমৌগী পোৎলমশিং শাবা অমদি তোঙান তোঙানবা কান্নরবা হিরম কয়াদা শিজিন্নবা য়াই। লমদম অসিগী ওইনসু ওইল পাম থাদুনা হেন্না শেন্থোক লৈহনবা য়াই। লমদম অসিনা থাউ লৈবদা অচৌবা শেনফম অমা চাদিং তৌরিবা অসি ওইল পাম থাদুনা লমদম অসিদা থাউ শুংজরবদি য়াম্লবা শেনফমশিং কনবা ঙমগনি।

ৱা অসিসু হান্নদি ফোরেষ্টকী প্রদক্ট চিংলম্বা মরমনা পুথোক পুশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া লৈরম্মী অদুবু লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টরনা হর্ব কেটগরিদা ওইনা লাউথোকখিবদগী হান্না লৈরম্বা খুদোংচাদবা কয়া অদুসু হৌজিক্তি লৈত্রে। য়ুমথোং কয়াদা ৱা পাম্বীশিং পাক্তক্লনা থাদুনা অমদি ৱা পাম্বীদগী ফজরবা পোথোক কয়া পুথোক্তুনা মপান লমদা থাদোকপা ঙম্লবদি শেন্মিৎলোন্দা চাওনা মতেং ওইগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, নুমিৎ ৪ নি চুপ্পা চথরকপা মেলা অসিদা পোথোক মরাং কায়না পুথোকপা অমদি মথৌ নীংথিনা তৌবা লৌমীশিংবু মনা পীদুনা পুক্নিং থৌগৎপা অসিনা ভোকেল ফোর লোকেলগী ৱাহন্থোক লৈবগী মমি চাওনা তারি। মতমগী মতুংইন্না তোঙান তোঙানবা লৌউ শিংউ পথাপশিং চথদুনা কা হেন্না শেল চঙদনা পোথোক হেন্না পুথোকপা ঙম্নবা হোৎনমিন্নসি। ঈশিং অমদি কেমিকেল ফর্টিলাইজর কা হেন্না শিজিন্নদনা লৌউবগী মতাংদা লৌমীশিংনা মমুৎ তানা খঙহন্নবা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসরশিংগী খুত্থাংদা এৱারনেস অমদি ট্রেনিং প্রোগ্রামশিং পায়খৎলগনি। দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অমদি লৌমীশিংগী মরক্তা পাউ ফাওনবা ৱাৎপদগী ৱাথোক মচা মচা থোক্লিবা অসি থোকহন্দনবা অমদি পুন্না চৎমিন্নবা মথৌ তাই। লৌমীশিংনসু দিপার্টমেন্টনা পায়খৎলক্লিবা অমদি পাঙথোক্লিবা থবক থৌরমশিং মমুৎ তানা খঙনবা হোৎনগদবনি। দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনসু লৌমীশিংগী অনিংবা অপাম্বা খঙদোক্তুনা খুদোংচাবা লাকপশিং মপুঙ ফানা ফংহন্নবা হোৎনগদবনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা মথৌ নীংথিনা তৌবা অমদি পোথোক নীংথিনা পুথোকপা লৌমীশিংদা মনা পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখি। থৌরমদুদা হিয়াংলম এ সীগী এম এল এডা. ৱাই রাধেশ্যাম, ৱাবগাই এ সীগী এম এল এ উসম দেবেন অমদি এগ্রিকলচর কম্মিস্নর আর কে দিনেস, আই এ এসসু শরুক য়াখি।

### বিষ্ণুপুরদা প্লাষ্টিক বোট্টল বেঙ্ক...

*লামায় ১গী মখা...* প্রোপ্রাইটর জি শর্মা, সমভারধিনি ন্যাসকী ষ্টেট হেদ ওইনাম ইন্দিরা, এন ৱাই কে বিষ্ণুপুরগী দেপ্যুটি দিরেক্টর ডা. সলাম ধনচন্দ্র অমসুং ওফিসল কয়ানা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা মিনিষ্টরনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন বিষ্ণুপুরনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা প্লাষ্টিক পোল্যুসন থোকহন্দবগীদমক প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং লংথোকপগী মায়োক্তা পায়খৎলক্লিবা থবক অসি অফবা থবকনি হায়না থাগৎপা ফোঙদোকখি।

প্লাষ্টিক ৱেষ্টশিংনা অকোয়বগী ফীভম শোকহল্লত্তুনা মীওইবগী হকচাং অমসুং উনা-ৱানা কয়াদসু অকায়বা পী। মরম অসিনা প্লাষ্টিক পোল্যুসন থোকহন্দনবা তুংগী মীরোলগীদমক অফবা অকোয়বগী ফীভম থম্লম্নবা থবক পায়খৎকদবনি হায়খি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা প্লাষ্টিক বোট্টল বেঙ্ক ৬০ তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থম্বগা লোয়ননা মোইরাং খুনৌগী সঙাই এথনিক পার্কতসু থমগনি হয়খি।

প্লাষ্টিক বেঙ্কশিং অসি য়োৎনা শাবনি অদুগা মসিবু দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মিনিষ্টর/এম এল এ, পুলিস, নেহরু য়ুব কেন্দ্র সঙ্গথন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসরশিং য়াওনা সমভারধিনি ন্যাসনচিংবনা কৎপীরকপনি হায়খি।

### চীফ মিনিষ্টরনা খোংজোম ৱার মেমোরিএল...

*লামায় ১গী মখা...* হোৎনমিন্নরসি হায়খি।

ওপন জিমশিং অসি সেনাপতি, চৈরাও চীং, থাংমৈবন্দ য়াওনা মার্জিং পোলো কমপ্লেক্সতসু হান্ননা থমখ্রে হায়রি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী করিগুম্বা অফবা অহোংবা খরা পুরক্লবা কন্না হোৎনরি হায়রদুনা লৈঙাক্না পাঙথোরক্লিবা গো টু হিলস, গো টু ভিলেজ, চীফ মিনিষ্টরগী শোথরবশিংগী তেংবাঙ অমসুং স্কুল ফগৎহনসি মিসন য়াওনা থবকশিং অসিগী মনুংদা ৱার ওন দ্রগসনচিংবসু য়াওরিবনি হায়খি। অদুম ওইনমক ঙসিদি ঐখোয় মীয়ামদগী মতেং ফংলে হায়খি।

থৌরম অসিদা ট্রেনরশিংনা জিমগী পোৎলমশিং শীজিন্নবশিং দেমোন্সত্রেসন তৌদুনা উৎখি। থৌরম অসিদা মিনিষ্টর এল সুসিন্দ্রো মৈতৈ অমসুং য়ুথ এফেয়েরস এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর টি ফুলেন মীতৈসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, খুমন লম্পাক্তসু চপ মান্নবা জিম অমা চীফ মিনিষ্টরনা ঙসি মীয়ামগীদমক হাংদোক্তুনা খুৎশিন্নখি। লোয়ননা কাইরং মনিং লৈকায়দা পাঙথোকখিবা পোপ্যুলর য়ুনিয়ন ক্লব (পি য়ু সী) গী গোল্ডন জুবিলি সেলেব্রেসনগা লোয়নবা ক্লব অসিগী ষ্টেজ ইনোগুরেসনগী থৌরমদসু চীফ মিনিষ্টরনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ২১দগী হৌনা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেলগী মতাংদা শন্দোক্না ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

থৌরম অসিদা সোসল ৱেলফেয়েরগী দিরেক্টর এন জি উত্তমসু শরুক য়াখি।

### নুপীশিংনা হীদাক মনা শীজিন্নবগী চাং ৱাংখৎলকপদগী অঙাংশিংদসু খুদোংথিহল্লে : এইমস

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচএনএস):
নুপীশিংনা হীদাক মনা শীজিন্নবগী চাং হেন্না ৱাংখৎলকপনা মশা খক্তা নত্তনা পোক্লক্কদৌরিবা মচাশিংদসু তিঙ্গং কাইজংবা অমসুং ফীভম চাদনা পোকপা য়াওনা অঙাং ওইবা ঙমদবা কয়া থোকহল্লি হায়না অপূনবা ইরৈবাক্কী মহৈরোয় শিনপাংলূপ (এইমস) কী ৱিমেন্স এফেয়েরসনা ফোঙদোকখ্রে।

ক্বাকৈথেলদা লৈবা এইমসকী লোয়শঙদা পাঙথোকখিবা পাউজী মীফমদা ৱিমেন এফেয়েরসকী সেক্রেটরি নন্দিতা ঙাসেপ্পমনা হায়, হীদাক মনা শীজিন্নবগী অফ-ফত্ত কয়াগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা তাকপীকপগী মতুংইন্না মালেম পুম্বদা হীদাক মনানা মীওইবদা মাঙহনবশিং খঙলদুনা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা কুমজা ১৯৮৭দগী মে ৩১বু 'ৱর্ল্ড নো টোবেকো দে' হায়না পাঙথোরক্লিবনি। মণিপুরদসু সী এস ও কয়ানা কয়ারক অথিংবা থমদুনা লাকখ্রবনি। অদুবু ইরমদম অসিদা মীতোপ মীয়ানচাশিংনা শেন্দোংগীদমক খন্দুনা হীদাক মনাশিং হেন্না পুশিল্লক্তুনা য়োল্লিবা অসি এইমসনা হকচিন্না লৌই হায়খি।

দল্লিয়ু ঐচ ওগী রিপোর্ট মতুংইন্না চহী ১৩দগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপামচাশিংনা চাদা ১৯ অমসুং নুপীমচাশিংনা চাদা ৮.৩গী চাংদা হীদাক মনা শীজিন্নে। মসিনা মরম ওইদুনা ইরমদমসিদা হীদাক মনা চাবগী চাং ৱাংখৎলক্লি। মসিদা নুপীশিংনসু নোংম-নোংমগী শীজিন্নবা হেল্লকপনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নহল্লক্লি। হীদাক মনাগী পোথোকশিং শীজিন্নরকপনা চিন, খৌনাও, খোঞ্জেল উতোং, কিদনি, লিভরনচিংবদা কেন্সর য়াওনা ঈগী কেন্সরগী লায়না কয়া থোকহল্লি হায়বসি মীয়াম্না খঙনরবা ঙাক্তনি। নুপীশিংনা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং শীজিন্নবনা ময়ূম পাল্লবা মতুংদা মমা ওইবা ঙমদনা কায়বা, অঙাংদা ফীভম চাদনা পোক্লকপা অমসুং চিনবান কায়না পোক্লকপা য়াওনা ব্রেষ্ট কেন্সরনা নাহনবগী মশীং হেনগৎলকপগী মরম ওইরি হায়খি। মরম অসিনা হীদাক মনাগী মায়োক্তা চঙশিল্লকপা খোঙজংদা মীয়াম্না তেংবাঙবীয়ু হায়খি।

### লৈবাক মচেৎ তানা থুগাইনবা ...

*লামায় ১গী মখা...* হোৎনখিবশিং অদু ঙসিগী মীরোলনা কাউদনা থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনগদবনি। ঐখোয়গী লৈবাক অসিবু মচেৎ তানা থুগাইনবা হোৎনরিবশিং পূন্না থেংনমিন্নসি। নোর্থ ইষ্টতসু লোইনমক পন্দ্রবসু মিজো নেসনল ফ্রন্টদা ইন্দিরা গান্ধীনা তৌগনু হায়বদা য়াদদুনা ইন্সটিট্যুসনশিংদা এম এন এফকী ফিরাল লোইনা য়ুংশিল্লকপদগী য়াররোই হায়বা খঙলদুনা মমৈদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অতোপ্পা পাম্বৈ লৈতদুনা লৈবাক অসিবু কায়বা য়ারোই হায়দুনা অকনবা এক্সন লৌখিবদগী মিজোরামদা হৌজিক খ্বাইদগী তংদু লৈতাবা ষ্টেট অমা ওইরিবনি।

অদুম ওইনমক মহাক মশাবু ঙাক শেল্লিবা সিক্যুরিটি গার্দ অদুনা মহাকপু য়াম্না তমথীনা হাৎখিবনি। থৌদোক অসি ইন্দিরা গান্ধীনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা লৈবাক অসিগী থবক থৌরমশিং পাঙথোকখিবা অদু অপূনবা ইন্দিয়া অমগী ৱাখল্লোন্দনি। মহাক্কী ৱাখল্লোন অসি মীয়াম পূম্নমক্নসু খঙনরবা ৱাফমনি, মতুংদসু কাউরোই হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অসিদা পার্টি প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্র, এ আই সী সীগী ষ্টিয়ারিং কম্মিটিগী মেম্বর গাইখাঙম, কোংগ্রেস এম এল এশিংদা কে রঞ্জিৎ য়াওনা অতৈ লুচিংবা কয়াসু লুচিংবী অসিগী মীতমদা হৈ-লৈ কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎপদা শরুক য়াখি।

### মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা...

*লামায় ১গী মখা...* ত্রাইব লিষ্টতা চলহনগদবনি হায়বগী দিমান্দ অসি য়াম্না মরম চাবা দিমান্দ অমনি হায়না লৌই। দিমান্দ অসিনা মণিপুরদা লৈরিবা ইন্দিজিনস ফুরুপ অসি কনবা ঙমগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবসু লৈ। মখা তাবা অতোপ্পা খোঙজংশিং চঙশিল্লকপা মতমদা মহাক্কী মায়কৈদগীসু পাংবা য়াবা মতেং লৈরগদি নীংশিংবীরকউ, পাংজগে হায়রকখি।

লোয়ননা মহাক্কী মায়কৈদগীসু চীফ মিনিষ্টর য়াওনা লৈঙাক্কী থৌপুবশিংদগী অচৌবা সপোর্ট লৌনবা হোৎনজগে হায়না থাজবা পীরকখি।

পনবা য়াবদি, এস টি দি সী এমনা মপাং লূপশিংগী মীওইশিংগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা এম এল এ/মিনিষ্টরশিংগী য়ুমদা থোমজিন্দুনা মীতৈ/মৈতৈবু কন্সটিট্যুসনগী এস টি লিষ্টতা চলহন্নবগীদমক থাফম থোকপা রেকমেন্দেসনশিং মণিপুর লৈঙাক্না থাগদবনি হায়বগী মেমোরেন্দমশিং পীশিন্দুনা লাকখিবনি। অদুগা ঙসিনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলিগী স্পিকরদসু হকথেংননা মেমোরেন্দম অদুমক পীশিনখিবনি।

### ফিফা ৱর্ল্ড কপকী ...

*লামায় ১গী মখা...* কুমজা ২০১৪দা পাঙথোকখিবা ব্রাজিল এদিসনদনা দোল্লর বিলিয়ন ১১.৫ চঙলগা হৌখিবা কুমজা ২০১৮দা রসিয়াদা পাঙথোকখিবদনা দোল্লর বিলিয়ন ১৪ চঙখিবনি। অদুগা অতোপ্পা অনৌবা লাতম ওইগদৌরিবনা হন্দক্কী ৱর্ল্ড কপ অসিদা 'ফাইভ সবষ্টিট্যুসন রুল' হৌদোক্তুনা চৎনহনগদৌরি। অতোপ্পা অমনা 'সেমি-ওটোমেটেদ ওফসাইদ টেক্নোলোজি' হৌদোক্তুনা শীজিন্নবগা লোয়ননা বোল অমা গোল লাইন ক্রোস তৌব্রা নৎত্রগা তৌদব্রা হায়বদু খঙহনবদা মতেং ওইগদৌরি।

হয়েং হৌদোকপগী চীং লেপ্লবা থৌরম অদু ইনিদয়াগী পুংফমদা নুমিদাং পুং ৭.৩০দা কটারগী অৱাং নোংপোক থংবা কোষ্টেল পার্টতা লৈবা অল খোরগী অল বাইট ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কনি। অদুগা নুমিদাং পুং ৯.৩০ তারকপদনা ষ্টেদিয়ম অসিমক্তদা গ্রুপ এগী মায়কৈদগী য়ুম্বু কটারগা ইক্কাদোরগা অহানবা মেটচ শান্নগনি।

### ব্রাওন সুগর কিলো...

*লামায় ১গী মখা...* অমরোমদা, ঙসি নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তারকপদা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী ও সীনা লুচিংবা টিম অমনা পল্লেল লাইমনাই চীংজিন কম্মান্দো চেক পোষ্টতা অচৎ অওকশিং ফ্রিস্কিং চেক্কিং চথবদা কার (ভিটারা ব্রেজা) এম এল-০৫/পি-১২০২দা লোৎশিল্লগা পুরকখিবা সাপোন কেপ ১২৯দা হিরোইন পাওদর কিলোগ্রাম ১.৫৮০ য়াওরম্লে হায়রি।

গাড়ী অসিবু থৌরকখিবা দ্রাইভর অদুগী মমিংনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী তুংগম খুল্লেন্দগী এস রাইজি (২৯) অপোকপা সেখো কৌই হায়রি।

কম্মান্দোনা দ্রগশিং অসিগা কোন্ননা অমসুং গাড়ী য়াওনা মীওই অদু ফারগা ককচীং পুলিস ষ্টেসনদা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

### তেংনৌপলগী দি টি ও...

*লামায় ১গী মখা...* ঙসিগী থৌরম অদুদা মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপ, সেক্রেটরি (ট্রান্সপোর্ট) মাইকেল অচোম, দিরেক্টর ডা. নিভেদিতা লাইরেনলাকপম অমসুং তেংনৌপলগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর রঞ্জন য়ুম্নাম্না অখন্নবা মীথুংলেন অমসুং ময়ায় তাংবল লৌরদুনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসরশিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি ট্রান্সপোর্ট লোয়শঙগী ওফিসলশিংগা লোয়ননা মীয়াম্না শরুক য়াখি।